# সম্রাম ট্রোফি ২০২৫ : এফ এল নোংপোক সেকমাই মায়থীবা পীরম্লগা সম্রাম এফ সী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস):** সম্রাম ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা টিম ১৮না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১০দগী সম্রাম প্লেগ্রাউন্দদা চখরক্লিবা ৩লক শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সম্রাম এফ সীনা ফুটবোল লভর্স নোংপোক সেকমাই মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইরে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী হৌরগা সম্রাম এফ সী অমসুং ফুটবোল লভর্স নোংপোক সেকমাইগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ২শুবা মিনটতা সম্রাম এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২২ রোশননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সম্রাম এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা সম্রাম এফ সীগী অবোইনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক ফুটবোল লভর্স নোংপোক সেকমাইগী মায়কৈদগী মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু সম্রাম এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সব-জুনিয়র ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ হৌদোকখ্রে



**থৌবাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস):** দিষ্ট্রিক্ট ভোলিবোল এসোসিএশন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা সিফাল লৈকাই গাইদেন্স ক্লব (এস এল জি সী) য়াইরিপোক্না শীন্দুনা ৬লক শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ভিলেজ মেন্স সব-জুনিয়র ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা ঙসিদগী এস এল জি সী য়াইরিপোক্কী প্লেগ্রাউন্দদা হৌখ্রে। হৌদোকপগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এ ভি ভি এ (বি) অন্দ্রো মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ভোলিবোল এসোসিএশন থৌবালগী ভাইস প্রসিদেন্ট তোইজম গোরোবা, এ সী এম ঈ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল য়ুম্নাম বিরেন, এ সী এম ঈ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এগজিক্যুটিভ কন্মিটি মেম্বরশিং হাওবম বিমোলচান্দ, কৈশাম সুনিল, সাপম ননাও, সুভাশচন্দ্র লাইশ্রম, খুন্দোংবম চন্দ্রমণি অমদি লৈকাই অদুগী অহল কয়ানা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী অহানবা মেটচতা এ ভি ভি এ (বি) অন্দ্রোনা ৱাই দি সী খোইরোমবু ২৮-২৬, ২৫-২১, ২৫-১৭তা মায়থীবা পীরমখিবনি।

হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা এস এল জি সী (এ) অমসুং এ এ ভি এ (বি) অন্দ্রো, এ এ ভি এ (এ) অন্দ্রো অমসুং ভি এল (বি) থিয়াম কোঞ্জিলগী মরক্তা লম্বা তৌনগনি। নুংথিলগী মেটচশিংদনা ইচম খুনৌ অমসুং কে ৱাই এস য়ু কাইরেম্বীখোক অমদি হৈরোক অমসুং ভি এল লম্বা তৌনগনি।

# এ কে এস দি ও অমসুং ফোর্স মায় পাকখ্রে





**ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০(ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক চখরিবা ৩লক শুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এ কে এস দি ও খাঙবোক্না অল অমিন লিলোং অদুগা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্লুং মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা এ কে এস দি ও অমসুং অল অমিনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এ কে এস দি ওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এ কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট অমত্তা তুদনা রন ২৯১ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন দাইনা মোইরাংথেম্না বোল ১০৪ মায়োক্লবদা রন ১১৭ অদুগা বিজিয়া খুন্দ্রাকপমনা বোল ১১৬ মায়োক্লবদা রন ১০৯ লৌরমখি।

অল অমিননা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৯.১দা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৮০ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এ কে এস দি ওনা লাকচনা রন ২১১দা মায় পাকখিবনি।

এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা ফোর্স অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ফোর্সনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ফোর্সনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৯৮ লৌবা ঙমখি। ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৮২ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ফোর্সনা রন ২১৬তা মায় পাকখিবনি।


# পাৱরলিফটরশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০(ঐচ এন এস):** মে ১দগী হৌরগা ৩ ফাওবা অসামগী সিলচরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ওপন মেন এন্দ ৱিমেন ক্লাসিক এন্দ ইক্কিপ্ট পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৫দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী পাৱরলিফটরশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা পাৱরলিফটরশিং অদুদি ইরিকখোম্বা এলাংবম, এ তোপ্পর, এম বিরজিৎ, ঐচ রিটিকরাজ, লোংজম প্রসান্ত, মাইবম গুলুবী, সিনাম খৃষ্টিনা, তেন্সুবম সোভিনী, য়ুমখাইবম ফজি লাটুন, থাংজম লৈমা চনু, সেরাবানু অমসুং নেনা মাইমোমনি। অদুগা টিম ওফিসল ওইনা শরুক য়ারিবশিংনা এলাংবম ইনাও অমসুং থোকচোম কুঞ্জরানীনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1461**

**GM Iv Popov (2614) - GM D. Vocaturo (2534)**
**Chigorin Mem Rapid St Petersburg RUS, 2012.10.26**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Bb4 | 4.exd5 exd5 |
| 5.Bd3 Nc6 | 6.a3 Be7 | 7.Nge2 Bg4 | 8.f3 Bh5 |
| 9.Nf4 Bg6 | 10.Nfxd5 Bd6 | 11.O-O Kf8 | 12.f4 Nf6 |
| 13.Nxf6 Qxf6 | 14.Be3 Re8 | 15.Qd2 Nxd4 | 16.Bxg6 Rxe3 |
| 17.Qxe3 Bc5 | 18.Ne4… | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1460 Solution :**

**50. Ng6+** *Opening the line from f6 to f8.* **fxg6 51.Rf6# 1-0**

















Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com